

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপতা শরুক য়ারিবা কোচশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল ব্রাংবা কোচ ওইরিবা রুসিয়াগী ফাবিও কেবিলো*

*ঘানা অমদি পোর্তুগাল অনিনা শান্নখিবা মেটচতা ঘানাগী মায়পাক্লবা থব্রায় তনা বোল য়েংখিবা নুপী অমা*

## ফিফানা শিনবা ২০শুবা ব্রার্ল্ড কপ

# জর্মন্না য়ু এস এবু থোইবদা থোমাস মুল্লারগী গোলনা মায়পাকখি, মায়থিহৌরবা য়ু এস এ সেকেন্দ রাউন্দ চংখ্রে

*রিও দি জানেরো, জুন ২৭ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোক্লিবা ব্রার্ল্ড কপ গ্রুপ জিগী মেটচতা জর্মন্না য়ু এস এ গোল ১–০ থোইরবসু লৈবাক অনিমক গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর অমদি রন্নরস অপ তাদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চংখ্রে । গ্রুপ ঐচতা বেলজিয়ম অমদি অলজেরিয়া ৱিন্নর অমদি রন্নর ওইদুনা মখোয়সু সেকেন্দ রাউন্দ চংবা ঙমখ্রে ।

জর্মন অমদি য়ু এস এ শান্নখিবা মেটচ অসি য়াম্না তফ ওইবা মেটচ অমা ওইরবসু জর্মন্না বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি । জর্মনগী অহানবা মেটচতা পোর্তুগালবু য়াম্না লাকচনা গোল ৪–০দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবা লৈবাক অসিনা য়ু এস এবু সুপ্নগী গোল ১–০দা মায়থিবা পীখি । মসিগী মমাংদা ঘানাগা শান্নখিবা মেটচতা গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো ওইখিবা জর্মন গ্রুপ অসিদা পোইন্ট ৭ ফংবগা লোয়নন্না গ্রুপ চেম্পিয়ন ওইদুনা সেকেন্দ রাউন্দদা গ্রুপ ঐচকী রন্নস অপ ওইরিবা অলজেরিয়াগা মায়পাক্কুনা পোইন্ট ৯ ফংবা ঙমখিবনি ।

অনিশুবা মেটচ ওইনা চপ মান্নবা পুংফমদা অলজেরিয়া অমদি রুসিয়া শান্নখি । রুসিয়া অমদি অলজেরিয়া অনিগী মেটচ অসি য়াম্না তরাই তরাইবা মেটচ অমা ওইখিদে ।

রুসিয়া মমাংদা সাউথ কোরিয়াগা শান্নখিবা মেটচতা গোল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখি অনিশুবা ওইনা বেলজিয়মগা শান্নবদা গোল ১–০দা মায়থিবা নংহৌদুনা পোইন্ট ১ ফংদুনা লৈখিবনি ।

অলজেরিয়াসু মমাংদা কোরিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা গোল ৪–২দা মায়পাক্কুনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা লাকখিবনি । টিম অনি থেংনরগনি । মেটচ অদুদা মমাংদা পোর্তুগালগা শান্নবা মেটচতা গোল ৩ চন্দুনা হেট ত্রিক ফংখিবা থোমাস মুল্লরনা গোল অমগা অমুক চনবা ঙম্বগা লোয়নন্না চথরিবা কপ অসিগী গোল্ডন বুটকী কন্টেষ্টতা গোল ৪ চন্দুনা শরুক য়ারি ।

হৌজিক ফাওবদা গোল ৪ চনখ্রবা অতোপ্পা শান্নরোই ২ অদুদি আর্জেন্টিনাগী লিওন মেসি অমদি ব্রাজিলগী নেয়মারনি ।

অহানবা হাল্ফকী মনুংদা য়ু এস এ অমদি জর্মন গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি । মেটচ অদুগী অয়াম্বা মতমদা জর্মন্না বোল হেন্না প্রেসেস তৌদুনা শান্নখি । সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা টিম অনিনা মখা তানা শান্নরকখি ।

মেটচ অদুগী ৫৪শুবা মিনিটতা জর্মন্না কোর্নর কিক অমা ফংখি । ফংলিবা কোর্নর কিক অদু সুজনেজরনা কাওরকপদা ওপন নেট ওইনা ক্লোজনা ফংদুনা কাওশিনখিবদা য়ু এস এগী গোলকিপরনা সেফ তৌদুনা ইম্থোরকখিবা বোল অদু অমুক জর্মনগী থোমাস মুল্লরনা পেনালটি এরিয়া মতোন ওইরপ্পা ফংদুনা কাওশিল্লকপদা গোল ওইদুনা জর্মনগী মায়পাকপা ওইখিবনি ।

মেটচ অদুগী ৬২শুবা মিনিটতা মেকামেন্না জর্মনগী কোর্নর কিক কাওখিবা সুজনেজরদা খুদোংথিবা য়াবা ফাউন্ট অমা তৌরুবদগী রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি ।

অপিবা মতম লোইবা ফাওবদা জর্মনগী গোল অমদু হন্দোকপা ঙমদনা য়ু এস এ মায়থিবা নংহৌখি । অদুম ওইনমক টিম অসিনা পোইন্ট ৪ ফংবগা লোয়নন্না গোল এভরেজদা পোর্তুগালদগী হেন্দুনা সেকেন্দ রাউন্দ চংখ্রে ।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ ওইনা চপ মান্নবা মতমদা পোর্তুগাল অমদি ঘানা শান্নখি । মদুদা পোর্তুগালনা ঘানাবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীবগা লোয়নন্না লৈবাক অনিমক অসি হন্দক্কী ব্রার্ল্ড কপ অসিদগী লৈহৌরে । পোর্তুগালনা মমাংদা জর্মনগা শান্নখিবা মেটচতা ০–৪দা মায়থিবা নংখি । অনিশুবা ওইনা য়ু এস এগা শান্নবগা গোল ২–২দা দ্রো ওইখি । অরোইবা ওইনা ঘানাগা শান্নবদা ২–১ দা মায়পাকখিবনি ।

ঘানাসু মমাংদা জর্মনগা শান্নবা মেটচতা গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি । য়ু এস এগী শান্নখিবা মেটচতনা ২–১দা মায়থিহৌখি । ঙরাংগী মেটচ অদুদসু ২–১দা মায়থিবগা লোয়নন্না মেটচ ৩ শান্নবদা মায়পাকপা য়াওখিদ্রবসু আফ্রিকাগী চেম্পিয়ন ওইদুনা হন্দক্কী ব্রার্ল্ড অসি শরুক য়ারকখিবনি ।

টিম অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবদি মমাংগী ব্রার্ল্ড কপ হায়বদি ২০১০গী কপ অদুনি । কপ অসিদা লৈবাক অসি ক্বাটর ফাইনেল ফাওবা চংবা ঙমখি ।

মেটচ অদুগী ৩১শুবা মিনিটতা পোর্তুগালগী জোনবোইনা গোল অমা চনবা ঙমখি । অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা ঘানানা গোল হন্দোকপা ঙমখিদে । সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখি । মেটচ অদুগী ৫৭শুবা মিনিটতা টিম কেপ্টেন ওইরিবা এ গ্যাননা গোল অমা চন্দুনা ইক্যুইলাইজ তৌবা ঙমখি । মেটচ অদুগী ৮০শুবা মিনিটতা পোর্তুগালগী টিম কেপ্টেন ওইরিবা খৃষ্টনিও রোনালদোনা গোল ১গা অমুক চন্দুনা ২–১দা লৈখি । মেটচ অদুদা ঘানাগী শান্নরোই ৩বু অদুগা পোর্তুগালগী শান্নরোই ১বু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি ।

ঘানাগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি হরিসন, মাজিদ অমদি জোর্দননি। পোর্তুগালগী শান্নরোই অদুনা জাও মৌতিনহোনি ।

গ্রুপ ঐচকী মেটচ ওইনা বেলজিয়ম অমদি সাউথ কোরিয়া শান্নখিবা মেটচ অদুদা বেলজিয়মনা ১–০দা মায়পাকপগা লোয়নন্না পোইন্ট ৯ ফংদুনা গ্রুপ চেম্পিয়ন ওইদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চংবা ঙমখি ।

বেলজিয়মগী মায়পাক্লবা গোল অদু জানভেতোঘেন্না মেটচ অদুগী ৭৮শুবা মিনিটতা কোর্নর কিক্তা চনখিনি । মেটচ অদুদা বেলজিয়মগী শান্নরোই ষ্টেভেন দিফোর ওপোন্টে প্লেয়ার অমদা সেরিএস ফাউন্ট তৌবগীদমক রেফ্রিনা অহানবা মতম লোইবগী পুংজা হায়বদি মেটচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা রেদ কার্দ উৎতুনা মেটচ অদুদগী তাম্থোকখি । টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই ঐচ অসিগী মেটচ অসি য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমা ওইখি ।

মেটচ অদু হৌরবা মতুং মিনিট ৬ চৎপদা রুসিয়াগী অলেজেন্দর কেরোরিন্না গোল ১ চন্দুনা মায়পাকপগী আশা অমা থমখি । অদুবু মেটচ অদুগী ৬০শুবা মিনিটতা অলজেরিয়াগী মমাংদা গোল চন্দুনা লাকখ্রবা ইসলম সেলিমানিনা গোল ১ চন্দুনা ইক্যুইলাইজ তৌবা ঙমখি ।

ফুল টাইম লোইবা ফাওবদা টিম অনিনা মখা তাবা পাঞ্জিল চন্নবা ঙমদবদগী দ্রো ওইদুনা লোইশিনখি । অলজেরিয়ানা রুসিয়াদা দ্রো ওইরবসু মমাংগী মেটচতা কোরিয়াবু গোল ৪–২দা মায়থিবা পীখিবা অদুনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা গ্রুপ অসিগী সেকেন্দ তাদুনা মথংগী রাউন্দ চংখিবনি ।

মৌশাবু ৫০শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি অদুগা কোরিয়াগী হোং জোং–হোবু মেটচ অদুগী ৩৫শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি ।

বেলজিয়মনা মমাংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা অলজেরিয়াবু গোল ২–১গা, রুসিয়াবু গোল ১–০দা থোইদুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা লৈখ্রবা মতুংদা কোরিয়াগা অরোইবা ওইনা শান্নখিবদা গোল ১–০দা

মেটচ অদুদা অলজেরিয়াগী শান্নরোই দিজামাল, নাবিল অমদি লিসিনে অদুগা রুসিয়াগী শান্নরোই দিমত্রি অমসুং এলিসসি ইয়োনোভপু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি ।

লাইবক থিবদি অলজেরিয়া নোক আউথ রাউন্দদা গ্রুপ জিগী চেম্পিয়ন ওইরিবা হৌজিক্লা ফিফাগী রেঙ্কিংদা ২শুবা ওইরিবা জর্মনিগা থেংনগদৌরিবা অসিনি ।









## GROUP STANDING

| Country | GP | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| **GROUP - A** | | | | | | | | |
| Brazil | 3 | 2 | 1 | 0 | 7 | 2 | 5 | 7 |
| Mexico | 3 | 2 | 1 | 0 | 4 | 1 | 3 | 7 |
| Croatia | 3 | 1 | 0 | 2 | 6 | 6 | 0 | 3 |
| Cameroon | 3 | 0 | 0 | 3 | 1 | 9 | -8 | 0 |
| **Group - B** | | | | | | | | |
| Netherlands | 3 | 3 | 0 | 0 | 10 | 3 | 7 | 9 |
| Chile | 3 | 2 | 0 | 1 | 5 | 3 | 2 | 6 |
| Spain | 3 | 1 | 0 | 2 | 4 | 7 | -3 | 3 |
| Australia | 3 | 0 | 0 | 3 | 3 | 9 | -6 | 0 |
| **Group - C** | | | | | | | | |
| Colombia | 3 | 3 | 0 | 0 | 9 | 2 | 7 | 9 |
| Greece | 3 | 1 | 1 | 1 | 2 | 4 | -2 | 4 |
| Côte d'Ivoire | 3 | 1 | 0 | 2 | 4 | 5 | -1 | 3 |
| Japan | 3 | 0 | 1 | 2 | 2 | 6 | -4 | 1 |
| **Group - D** | | | | | | | | |
| Costa Rica | 3 | 2 | 1 | 0 | 4 | 1 | 3 | 7 |
| Uruguay | 3 | 2 | 0 | 1 | 4 | 4 | 0 | 6 |
| Italy | 3 | 1 | 0 | 2 | 2 | 3 | -1 | 3 |
| England | 3 | 0 | 1 | 2 | 2 | 4 | -2 | 1 |
| **Group - E** | | | | | | | | |
| France | 3 | 2 | 1 | 0 | 8 | 2 | 6 | 7 |
| Switzerland | 3 | 2 | 0 | 1 | 7 | 6 | 1 | 6 |
| Ecuador | 3 | 1 | 1 | 1 | 3 | 3 | 0 | 4 |
| Honduras | 3 | 0 | 0 | 3 | 1 | 8 | -7 | 0 |
| **Group - F** | | | | | | | | |
| Argentina | 3 | 3 | 0 | 0 | 6 | 3 | 3 | 9 |
| Nigeria | 3 | 1 | 1 | 1 | 3 | 3 | 0 | 4 |
| Bosnia and Her | 3 | 1 | 0 | 2 | 4 | 4 | 0 | 3 |
| Iran | 3 | 0 | 1 | 2 | 1 | 4 | -3 | 1 |
| **Group - G** | | | | | | | | |
| Germany | 3 | 2 | 1 | 0 | 7 | 2 | 5 | 7 |
| United States | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 4 | 0 | 4 |
| Portugal | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 7 | -3 | 4 |
| Ghana | 3 | 0 | 1 | 2 | 4 | 6 | -2 | 1 |
| **Group - H** | | | | | | | | |
| Belgium | 3 | 3 | 0 | 0 | 4 | 1 | 3 | 9 |
| Algeria | 3 | 1 | 1 | 1 | 6 | 5 | 1 | 4 |
| Russia | 3 | 0 | 2 | 1 | 2 | 3 | -1 | 2 |
| Korea Republic 3 | 0 | 1 | 2 | 3 | 6 | -3 | 1 | |

## Next Matches

*28th June, 2014*
**Brazil vs Chile**
(09:30 p.m, Belo Horizonte)

*29th June, 2014*
**Colombia vs Uruguay**
(01:30 p.m, Rio de jan)
**Netherland vs Mexico**
(01:30 p.m, Fortelaza)

## Matches Result

*26th June, 2014*
**USA-0 vs Germany-1**
**Portugal-2 vs Ghana-1**
**S. Korea-0 vs Belgium-1**
**Algeria-1 vs Russia-1**

# লুইজ স্বারেজ থা ৪ বেন তৌখ্রে

*রিও দি জানেরো, জুন ২৭ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ব্রার্ল্ড কপ অসিগী লিগ রাউন্দ মেটচতা উরুগ্বে অমদি ইটালি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইটালিগী দিফেন্দর জোর্জি কেলেনিগী লেংজুমদা ময়ানা চিক্লুবগীদমক লুইজ স্বারেজ ফিফাগী দিসিপ্লিনরি কমিতিনা মীফম অমা পাংথোক্কুনা মহাক্কী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা ওইনা মেটচ ৯ থিংখিবগা লোয়নন্না মশান্না অসিদগী থা ৪ সসপেন্দ তৌখ্রে।

শান্নরোই অসিবু দিসিপ্লিনরি কমিতিনা মহাক্লা তৌখিবা এক অদুগীদমক য়াম্না কুপ্না খন্নখি । লুইজ স্বারেজবু অথিংবা থম্বা অসিগা লোয়নন্না মহাক্লা ফুটবোলগী ষ্টদিয়মদা চংবদসু অথিংবা অসি অদুমক লৈগনি হায়না ফিফাগী দিসিপ্লিনরি কমিতি অদুনা লৌখিবা ব্রারেপ অদুদা ময়েক শেংনা পল্লি।

দিসিপ্লিনরি কমিতি অদুগী চিয়ারমেন ওইখিবা ক্লাওদিও সুলসেরনা ফোংদোকখিবদা শান্নরোই অসিনা মহাক্লা তৌখিবা এক অদুগী মতুং ইন্না সি ঐচ এফ করেন্সিদা ফাইন ওইনা লমদম অদুগী ভেল্যুদা শেল ওইনা লাক্ষ ১ পীগদবনি হায়নসু ফোংদোকখি ।

মসিগুম্বা শান্নবগী ব্রাংমদা চথরিবা এক অসি কৈদৌঙৈদসু ফিফানা তরাইনা লৌদে, মহাক্লা তৌখিবা এক অদু পৃথিবীগী মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা অফবা শান্নরোই অমনা ফিল্ড ময়াইদা চথখিবা থৌদৌ অদুবু হকথেংননা অমদি লাইফ তেল্লিকাসকী খুৎথাংদা উখিবা অসিনা মায়কৈ কয়াদগী তোঙান তোঙনবা ব্রাহং কয়া লাকখি ।

লাক্লিবা ব্রাহংদি লুইজ স্বারেজনা প্লে মনুংদা ওপোন্দে শান্নরোই অমদা অতম্নন চথখিবা অসিদা করি করম্বা এক্সন লৌখ্রবগে হায়বা ব্রাহংশিংনি । অহানবগী ওইনা শান্নরোই অসিবু চথরিবা ফিফাগী ব্রার্ল্ড কপ অসিগী মখা তাবা মেটচ ৯ অথিংবা থম্বগা লোয়নন্না মশান্না অসিগা মরি লৈনবা মেটচ অমত্তা শরুক য়াবা য়ারোই হায়বা খোংথাং অসি লৌখৎলবা মতুংদা শান্নরোই অসিবু থা ৪গী অথিংবা অসি মখা তানা থমখিবনি । অথিংবা অসিগী মনুংদা শান্নরোই অসিনা ফুটবোলগী ষ্টদিয়মশিংদা চংবসু য়ারোই হায়খি। মহাকপু উরুগ্বেগী মখা তাবা মেটচশিংদা শান্নবদা হায়রিবা মেটচ ৯ অদু কোভর তৌবা ঙমহৌদ্রবদি লেমহৌরিবা মেটচশিং অদু মথংগী ব্রার্ল্ড কপতা চৎনগনি হায়রি ।



28 June saturday pages 7.pmd 1 6/27/2014, 10:47 PM